**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 24-03-2026)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২৪-০৩-২০২৬, লৈবাকপোকপা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিটি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা আইননা থিংখ্রবা লুপ ৪ গী মীওই ১৩ ফারে।

২) ৪৫ শুবা মালেমগী টি.বিগী নুমিৎকা মরি লৈননা নুমিৎ ১০০ নিগী ওইবা টি.বি মুক্ত অভিয়ান ঙসি হৌদোক্লগনি।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৈবাক অসিদা হৌজিক পেট্রোল অমসুং দিজল ফংদবগী অৱাবা লৈতে।

----

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিটি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা আইননা থিংখ্রবা লুপ ৪ গী মীওই ১৩ ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়-ফারবশিং অদুগী মনুংদা কে.ৱাই.কে.এলগী এক্তিভ কাদর অমা, কে.সি.পি(নোংদ্রেনখোম্বা)গী অমা, কে.সি.পি অপুনবগী মীওই

অমা অমসুং প্রিপাক(আর-এ)গী এক্তিভ কাদর ১০ য়াওরি। মখোয় ১০ গী মনুংদা- ৫ দি চহী ১৮ শুদ্রিবা নুপামচাশিংনি হায়রি।

অমরোমদা, থৌবাল জিলাগী লিলোং অতাউখোঙ মনিং লৈকাইদগী চহী ২২ শুবা মীওই অমগা লোয়ননা চহী ১৮ শুদ্রিবা নুপামচা অমা শাশিন্নবা আধার কার্দ পায়রম্বদগী পুলিসনা ইম্ফাল ইয়রপোর্টতগী ফারে হায়রি। মখোয়দগী আধার কার্দ অমদি ভোতর আই.দি য়াওনা চপ মান্নবা ফোতো য়াওবা অমদি তোঙান তোঙানবা মমিং ইবা আই.দি কার্দশিং ফংখি হায়রি।

**টি.বি(এল) ঃ** ৪৫ শুবা ৱার্ল্ড টি.বি ডে অমসুং নুমিৎ ১০০ নিগী ওইবা টি.বি মুক্ত অভিয়ান হৌদোকপগী থৌরম ঙসি জেনিমসতা পাঙথোক্লগনি। নেসনেল টি.বি ইলিমিনেসন প্রোগ্রাম নেসনেল হেলথ মিসন অমসুং দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সার্ভিসেসনা শিনবা থৌরম অসিদা উপ-মুখ্য মন্ত্রি ডা.লোসি দিখো, হেলথ সার্ভিসেসকী দাইরেক্তর ডা.এম হেমন্তকুমার সিংহ, জেনিমসকী মেদিকেল সুপরিন্তেন্দেন্ট ডা.কে.ঐচ লোকেস্বর সিংহনচিংবা মীওইশিং শরুক য়াগনি হায়রি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং থৌবালদা তোঙান তোঙানবা চাংদমবশিংদা মকোক মথং তাখ্রবা এন.আই.কে.এস.ঐচ.এ.ৱাই মিত্র অমসুং টি.বি ফ্রি ভিলেজশিংদা মনা মথুম অমসুং সার্তিফিকেট য়েন্থোক্কনি।

**ফ্রিদম ফাইতর (এল)ঃ** জষ্টিস কমিতি ওন এঙ্গলো মণিপুরী ৱার ১৮৯১, মারটিয়র্স এন্দ ফ্রিদম ফাইটরস ওফ কংলৈপাক (মণিপুর)না শিন্দুনা ঙসি অয়ুক পুং ১০ দা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুং (ফৈদাপুং)দা, কংলাদা বৃটিশশিংনা লান্দারকখিবা নুমিৎকী নীংশিং থৌরম পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহ শরুক য়াগনি। মালেমগী থাক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা মণিপুরগী মপানদা চোইনা খুন্দারিবা মণিপুরীশিংগী তোঙান তোঙানবা

লুপশিংগী মীহুৎ কয়াসু শরুক য়াগনি। এঙ্গলো মণিপুরী লান অদুদা য়াওখিবা, মতম অদুদা মণিপুরগী নীংতম্বা ঙাকবা হোৎনবদা বৃটিশশিংগা হকথেংননা লান্থেংনখিবা অথৌবা ইপা ইপুশিংগী লৈহৌরিবা মচা মশুশিংদা জষ্টিস কমিতিনা ইকায় খুমবা উৎপগী থৌরমসু পাঙথোক্কনি হায়রি।

**ফেষ্টিভেল (এল)ঃ** নুমিৎ হুমি চখ্থগদবা ফেষ্টিভেল ওফ দান্স এন্দ ম্যুজিক ঙসিদগী গভর্নমেন্ট দান্স কলেজ, পেলেস কম্পাউন্দ ইম্ফালদা হৌরগনি। মণিপুরগী আর্ট অমসুং কলচর মন্ত্রি খুরাইজম লোকেন সিংহনা ফেষ্টিভেল অসি হৌদোক্কনি। ইষ্টর্ন জোনেল কলচরেল সেন্তর কোলকাতানা গভর্নমেন্ট দান্স কলেজ ইম্ফালগা খুৎশমনা শিনবা ফেষ্টিভেল অসিদা মণিপুরী, ভারত নাত্যম, কথক অমসুং কবুই, কোইরেং অমদি তাঙ্খুলনচিংবগী ফোল্ক জগোইশিং উৎকনি। গুরু রিউবেন মসাংবগী তাঙ্খুল ম্যুজিক য়াওনা তোঙান তোঙানবা ফোল্ক ম্যুজিক্কী থৌরমসু পাঙথোক্কনি।

**সাইন্স (এল) ঃ** নুমিৎ হুমি চখ্থগদবা রাজ্য থাক্কী সাইন্স কংগ্রেস ফোর টিচর্স এন্দ রিছরসর্স ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী তাকয়েলপাৎতা লৈবাম মণিপুর সাইন্স সেন্তরদা হৌরগনি। থৌরম অসিগী নুংগী ওইবা ৱারোলদি ইনোভেতিভ সাইন্স ইজ্কেসন ফোর এ সষ্টেনেবল ফ্যুচর হায়বসিনি। মণিপুর সাইন্স এন্দ টেকোলোজি কাউন্সিল, মাস্তেকনা শিনবা থৌরম অসিগী ঙসি অহৌবা নুমিত্তা রাজ্য সরকারগী এস.এন্দ.টিগী সেক্রেটরি অমসুং মাস্তেক্কী মেম্বা সেক্রেটরি শ্রীমতি কেংঙু জ্রিংলা শরুক য়াগনি।

**পি.এমঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৈবাক অসিদা হৌজিক পেত্রোল অমসুং দিজল ফংদবগী অৱাবা লৈতে। ভারত্তা হৌজিক মেত্রিক তন মিলিয়ন ৫ হেনবগী পেত্রোল্লিয়ম পোথোকশিং পৈশিন্দুনা থল্লি। ৱাফম অসি

প্রধান মন্ত্রিনা লোক সভাদা হৌজিক নোংচুপ এসিয়াদা থোক্লিবা ৱাথোক অসিগী মতাংদা পীবা মহাক্কী ৱারোলদা ফোঙদোকখিবনি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ভারত্তা হৌজিক ইনর্জি সেক্যুরিতি ক্রাইসিস লৈতে। হৌজিক লৈরিবা স্তোরেজ কেপাসিতি অসি হেনগৎহন্নবা থৌরাং পায়খৎলি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-নোংচুপ এসিয়াগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা ভারতনা তৌবা ঙম্বশিং উখোক্লি। লৈবাক অসিনা অতোপ্পা লৈবাকশিংগা মরি ফগৎহনবা অমদি তঙাইফদনা লৌগদবা ৱারেপশিং লৌবা য়াওনা খুদোংচাদবশিং মায়োকনবা থবক কয়া পায়খৎলে হায়রি। ৱাফম অসি নিউ দেল্লিদা পাঙথোকপা সম্মিট অমদা প্রধান মন্ত্রিনা ফোঙদোকখিবনি। মহাকা হায়-হৌখিবা ফেব্রুৱারি ২৮ দগী মালেমগী ওইনা খুদোংচাদবা মায়োকদুনা লাক্লি। অসিগুম্বা ৱারবা তাঞ্জা অসিদা ভারতনা থাজবা অমগা লোয়ননা চাউখৎ থৌরাংগী লম্বীদা মাংজিল থানা চৎলি। হৌজিক্তী ভারত অসি খুদোংচাদবা খুদিংমক মায়োকবা ঙল্লে। লানগা পাংখক ওইরবা মতম অসিদা ভারতনা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংদা মালেমগী মীয়ামা ঙকরি। মালেমগী লৈবাক অয়াম্বা ভারতকা অফবা মরি থমদুনা তোঙান তোঙানবা থবক কয়া মাই পাকা চংশিল্লি। মসি লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্কী অপুনবা পাঙ্গল অদু উখোকপনি।

**ইলেক্সন ঃ** অসাম, কেরলম অমসুং পুদুচেরি য়ুনিয়ন তেরিতোরিগী বিধান সভা মীখলগী ঙসি স্ক্রুতিনি তৌগনি। ঙরাং মীরেপচে পীশিনবগী মতম ওইখি। রাজ্য অনি অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি অসিদা মথং থাগী ৯ দা ভোৎ থাদনগনি। মীরেপচে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎনা থা অসিগী ২৬ নি।

নোংচুপ বেঙ্গলদনা তাঙ্কক অনি থোকা এপ্রিল ২৩ অমসুং ২৯ দা ভোৎ থাদনগনি। রাজ্য অসিগী ওইনা অহানবা তাঙ্কককী নোতিফিকেসন থা অসিগী

৩০ দা অমসুং অনিসুবা তাঙ্কক্কীনা এপ্রিল ২ দা নোতিফিকেসন থোক্কনি। তামিলনাদুদা তাঙ্কক অমখক্তদা এপ্রিল ২৩ দা ভোৎ থাদনগনি। তামিলনাদু বিধান সভা মীখলগী নোতিফিকেসন থা অসিগী ৩০ দা থোক্কনি। রাজ্য মরি অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি অসিগী ভোৎ মশিং মে ৪ দা থীগনি।

**ক্রিকেটঃ** ১০শুবা এম.এন.সি দল্লিয়ু প্রলাদা অমদি দল্লিয়ু রামানন্দ এলিট ত্রোফি ২০২৫-২৬কী মেটচ নম্বর ৬৪ ওইনা ঙসি লাইরেঞ্জম পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নগদবা সাইক্লোন অমদি ত্রাউগী মেটচ হৌজিক ওইরিবা গ্রাউন্দগী ফিভমনা মরম ওইরগা শান্নররোই হায়রি। এম.এন.সি.এগী চৎন-কাংলোন মতুং ইন্না টিম অনিনা পোইন্ট য়েন্নরগনি হায়রি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

চুরাচান্দপুরদা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রবা রিসিকান্তগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎখ্রে, মনিপুর অসি ভেসেল ষ্টেট অমা ওইনা লৌবা য়ারোই হায়না এম.পি বিমোলনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম- পোকফমদা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোঙলি। পাউ অসি- হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতসু তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা ফোঙলি।

চিফ মিনিষ্টরগা কুকি জো কাউন্সিলগা উনখিবগা চুরাচান্দপুরদা থোক্লিবা ইরাংগা মরি লৈনদে হায়না- দ পিপলস ক্রোনিকলদা অহানবা হেদলাইন পীরি।

নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা হেদলাইন অসি- স্তার্ট অপ ইকোসিস্তেমগী মখাদা নহারোলশিংবু এগ্রিকলচরেল সেক্তরদগী মপুং ফানা কান্নবা ফংহন্নবা লৈঙাকা পান্দম থম্লি হায়না চিফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা

ৱাফম অসিনি।

পাউ অসি- সনালৈবাক পাউচেদনা- এগ্রি য়ুথ পার্লিয়ামেন্ট ২০২৬ চিফ মিনিষ্টরনা শরুক য়াদুনা লোইশিনখ্রে, লৌউ শিংউগী লমদা নহাশিংগী খুদোংচাবা পীনবা লন্বী থিদোক্লগনি হায়না চিফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোঙলি।

এগ্রি য়ুথ পার্লিয়ামেন্ট লোইশিনবগী থৌরমদা মুখ্য মন্ত্রিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম- মণিপুর মেল অমদি তামেংলোং তাইমস য়াওনা ঙসি ফোঙবা অয়ান্বা পাউচেশিংদা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা ফোঙবা থেংনরে।

জাইমেং লেকতা অমাং অতা থোকহল্লম্লে, কুকি খূৎলাই পায়বশিংননি হায়না মরাল শিরক্লি হায়না- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুর এদিসনদা অহানবা হেদলাইন পীরি।

পাউ অসি- হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতনা থোংলাং নাগা খুলদা সু কুকি মিলিতেন্টশিংনা চথখিবা থৌওংবু এস.দি.এস.এনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাহন পীরি।

পাউ অসি- দ গানফিউ মেলদনা সেনাপতি জিলাগী থোংলাং নাগা খুলগী জাইমেং পাৎতা থোকখিবা থৌদোক অদু লিয়াংমৈ নাগা কতিমাই রোংদি মনিপুরনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে হায়না ফোঙবা থেংনরে।

আই.দি.পিশিংগা মরী লৈনবা ৱাহং ৯গী পাউখুম হোম দিপার্টমেন্টনা পীরক্তবদগী কম্মিসনা ৱায়েল চথখ্রে, মণিপুর ইনফোর্মেসন কম্মিসননা নুমিৎ

১৫ নিগী মনুংদা অকুপ্পা রিতন স্তেটমেন্ট পীরকবা হোম দিপার্টমেন্টতা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অসি- হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইননি।

পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইনদা- লিতানগী মফম অনিদা নোংমৈ কাপবদা নুপী অমা নোংমৈ মরুনা পাল্লে, কুকি মিলিতেন্টশিংনা টুরিজমগী শেমগৎ শাগৎলিবশিং থুগাইরল্লে হায়না ফোঙবা থেংনরে। পাউ অসি-সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদসু অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোঙলি।

**--- পাউ লোইজরে ---**